# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-11-2024)**

**ইগজাম ঃ** সেন্ট্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি.বি.এস.ই) না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী পরিক্ষা মথং চহিগী ফেব্রুৱারী ১৫ দগী হৌরগনি।

বোর্ড অসিনা হায়-ক্লাস টেনগী পরিক্ষানা মার্চ ১৮ ফাওবা চথগনি অদুগা ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষানা এপ্রিল মরি ফাওবা চথগনি। পরিক্ষা পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ৮৬ নি ৱাৎলিঙৈদা পরিক্ষাগী মতম লাউথোকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মসিনা মহৈরোইশিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

পরিক্ষাগী মতম অসি অতোপ্পা এন্ট্রান্স পরিক্ষাশিংগা ফাংজিন্নদনবা য়েংলগা লেপ্পনি হায়নসু সি.বি.এস.ইনা হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা চিং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চথরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-চিং অমদি তমগী জিলাশিংদা লৈবা ঈরাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈবগা লোয়ননা থিবা হুম্বগী থবকশিং চথখি।

অমরোমদা, ঙরাং নুংথিল পুং মরিরোম তারকপা অদুৱাইদা সেনাপতি জিলাগী মনুং চনবা হেনবুংদা পুলিসনা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা লুপা লিশিং ৩২ রোমগী মমল ওইগদবা য়ুঙৌ লিটর ৩২০ ফাগৎখ্রে।

নেসনেল হায়ৱেশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং ইম্ফালদা থুংবা লেপত্রি। নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা লাকপা মাল পুবা গাড়ি ৫১ ইম্ফাল য়ৌরকখিবগা

লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদনা পুন্না গাড়ি ৩৫৫ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা ইম্ফালদা থুংলখি। মসিগীসু মথক্তা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১০৪ দা চেক পোইন্ টশিং হাংদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চখরি।

রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংদুনা অসাম পুলিসনা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাং মনুং চন্না অসাম অমদি মনিপুরগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মফমশিংদা লাখিপুর পুলিসকী মাৎয়েং মখাদা এরিয়া দোমিনেসন এক্সরসাইজশিং চখখি হায়রি।

**স্কুল (এল)ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা স্কুলশিং মখা তানা ঙসিদগী থাংজ ফাওবা নুমিৎ হুমনি ছুতি থাদোকখ্রে।

এদুকেসন (এস) কী দিরেক্তর-এল. নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সরকার, এদেদ, প্রাইভেট অমদি সেন্ত্রেল স্কুলশিং ছুতি ওইগনি।

অমরোমদা, রাজ্যগী হয়র এন্দ টেকিকেল এদ্যুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি-দররিয়াল জ্লি অনালনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সরকারগী কলেজ, এদেদ কলেজ, হয়র অমসুং টেকিকেল এদুকেসন দিপার্টমেন্টশিং নুমিৎ হুমনি ছুতি ওইগনি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ১০ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

অদুবু, থৌবাল জিলাগী ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**জজ (এল)ঃ** হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগা অনৌবা চীফ জষ্টিস মদ্রাস হায় কোর্টকী জজ-জষ্টিস-দি.কিষ্ণকুমারনা ওইরগনি।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরিবা সিরধার্দ মিদুলগী মতম ঙসি লোয়রগনি। মহাকপু ফুল কোর্ট ফেয়ারৱেল পীবগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি।

মদুদা কোর্ট অসিগী জজশিং, মনিপুরগী এদভোকেট জেনরেল, বার কাউন্সিলগী চেয়ারমেন, হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরগী প্রসিদেন্ট, ওল মনিপুর বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অমদি দিপ্যুতি সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া শরুক য়াগনি।

**মীখল ঃ** মহারাস্ত্রা অমসুং ঝরখন্দ বিধান সভা মীখল য়াওনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা পাঙথোকপা মরক্কী মীখল শান্তি ওইনা পাঙথোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনগী পাউনা হায়-মহারাস্ত্রাদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৮ গী চাং ওইখি। ঝরখন্দগী ওইনা চাদা ৬৭ কী চাংদা ভোট থাদখি। কেরলাগী পালাকাট কেন্দ্রগী মরক্কী মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭০ গী চাংদা থাদনখি। উত্তর প্রদেসকী তোঙান তোঙানবা কেন্দ্র ৯ গী ওইনা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫০ রোম ওইখি।

তাঙ্কক অমখক্তদা পাঙথোকপা মহারাস্ত্র বিধান সভা মীখল অসিদা তোঙান তোঙানবা কেন্দ্র ২৮৮ দা মীরেপ লিশিং ৪,১৩৬ না লম্বা তৌনখি। ইলেক্সন কম্মিসননা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা সহরদা লৈবা ভোটরশিংসু মশাগী ভোট থাদবগী অধিকার মাঙহন্দনবা হোৎনরবসু মুম্বাই, পুনে অমসুং থানেদদি ভোট থাদবগী চাং য়ামা নেমখি।

অদুগা ঝরখন্দগী বিধান সভা মীখলগী অরোইবা তাঙ্কক অসিদনা নুপী মীরেপ ৫৫ য়াওনা পুন্না মীরেপ ৫২৮ না লম্বা তৌনখি।

ভোট মশিং থাংজ নুমিৎতা থিগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমদি গুয়ানাগী রাস্ত্রপতি-ডা: মোহোমদ ইরফান আলি ঙরাং নুমিদাং জোর্জ টাউন্দদা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নখ্রে। মদুদা অনা লায়েংদা শিজিন্নবা পোৎথোকশিংগী চৎন-কাঙলোন, হাইড্রো

কার্বোন সেক্তর, লৌউ-শিংউ অমসুং য়ু.পি.আইগী মতাংদা লৈবাক অনিনা তেংবাং পীননবা য়ান্নখি।

**রাজনাথঃ** আসিয়ান লৈবাকশিংগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী ওইবা মীফমদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহগা চাইনাগী ঙাকশেল মন্ত্রি-দোং জ্নগা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। অসিয়ান লৈবাকশিংগী ঙাকশেলগী মন্ত্রিশিংগী মীফমদা শ্রী রাজনাথনা মালেমগী অমসুং লমদম লমদমগী ওইবা সেক্যুরিতিগী মতাংদসু ৱা ঙাংগনি।

অমরোমদা, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনাওষ্ট্রেলিয়া, জপান, লাউস, মালেসিয়া, ন্যুজিলেন্দ, ফিলিপিন্স, সাউথ কোরিয়া অমদি আমেরিকাগী মহাক্কী ফম মান্নবশিংগা ৱারী শান্নরবা য়াই হায়রি।

**হোকি ঃ** ভারতকী নুপী হোকি টিমগী শান্নরোই-দিপিকানা পেনালতি কোন্নরদা চনখিবা পাঞ্জলনা ভারতনা ৱিমেন এসিয়ান চেম্পিয়ন ত্রোফিগী মপু ওইবা ঙমখ্রে।

বিহারগী রাজগীর হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা দিপিকানা অমত্তা ঙায়রবা পাঞ্জল অদু চনদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মহাকা পুন্না পাঞ্জল ১১ চনবা ঙমখি। লোয়ননা প্লেয়ার ওফ দা টুর্নামেন্টকী মনাসু মহাকা ফংখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদ লাইন অসি কুকি এম.এল.এশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইবা হেদলাইননি, বেন্নর হেদলাইন অসিগী সব-হেদলাইনদা মনিপুর থুগায়রগা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন লৌগনি

তাল্লিবা কুকি ফুরুপকী এম.এল.এ. ১০ স্পিকরগী অথৌবা থাংশাং মায়োক গদৌরি হায়রি, স্পিকরনা এক্সন লৌখৎনবা এক্সপার্টশিংগা মীফম পাঙথোক্কুনা খন্নখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন অসিগী মেন হেদলাইন পীরি।

সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইনদা-এম.এল.এশিংগী ময়ুম ঙাক শেন্নবা সেন্ত্রেল ফোর্স কম্পানি অমমম থমগদৌরি হায়না মেন হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা সব হেদ ওইনা সি.আর.পি.এফ. থম্বা য়ারোই হায়না লম্বোই চীংদা নুপীশিংনা ইরাং হৌরকখ্রে হায়না ফোংলি।

নুপী অঙাং হাৎখিবগী থৌওং অদু মীওইবগী চৎনরোলগী ৱাংমদা লৈবা থৌওংনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইনদা সব হেদ পীরি। মেন হেদলাইনদনা চেন্নবশিং ফানবা থি হুম্বগী থবকশিং চখরি হায়না ফোংলি।

পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদ লাইন ওইরি।

মী তরুক হাৎখিবশিংগী মথক্তা অতেনবা মতমগী মনুংদা ৱায়েল পীগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি-পিপলস ক্রোনিকল, মোরনিং বেল অমসুং মনিপুর ন্যুজকী অহানবা হেদলাইন ওইনা তোঙান তোঙানবা মওংদা পীনরক্লি।

মনিপুর ন্যুজকী অনিশুবা হেদলাইন অসি-মনিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা অহানবা ওইনা এদভান্স মেদিকেল ফেসিলিতি ফংলগনি হায়বা হেদলাইন অসিনি।

ইন্টরনেট থিংবা অমদি স্কুল ছুতি থা অসিগী ২৩ ফাওবা শাংদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি মনিপুর মেলগী হেদলাইননি।

জিরিবামদা মীওই তরুক হাৎখিবা কুকি খুৎলায় পায়বশিংননি। সি.এম. বিরেন ৱাখল মপুং ফাদবা মীওইনি হায়না পাওলিনলাল হাওকিপনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

এন.দি.এ. লেজিসলেচরশিংগী মীফমদা লাকখিদবশিং চীফ মিনিস্তর

ওফিসতগী নোটিশ থারকখিবা লৈতে। মীফম অদুদা য়াওরুবা এম.পি.পিগী এম.এল.এশিং দল অসিনা মীৎয়েং চংগদৌরি হায়বা হেদলাইন অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

হিলস হোর্ন বিলগী অহানবা হেদলাইন অসি রেভরেন্ট-এ. পুনিমাওনা নাগা নেসনেল সার্ভিসকী চহি ৫০ শুরকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

প্রাইম মিনিস্তরগী দিবলপমেন্ট ইন্সিসিয়েটিব ফোর নোর্থ ইষ্ট রিজনগী মখাদা রাজ্য অসিগী চিংগী জিলা মঙাদা সুপর স্পিসিয়েলিতি অমসুং স্পিসিয়েলিতি হেলথ কেয়ার শানবগীদমক শেনফম কায়থোকবা এপ্রুব তৌখ্রে হায়না গানফিয়ু মেলদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

টেক হাপখিবা অমুর ফালকোন অনিগী মনুংদা চুলুৱান হায়না মিংথোনবা অমুর ফালকোন সোমালিয়া য়ৌখ্রে, অতোপ্পা গ্বাংগ্রম কৌবা অমুর ফালকোন অদুনা হৌজিকসু তমেংলোংদা লৈরি হায়না তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন পীরি।